**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈমাখোংদগী মাংখিবা কমলবাবুগী জে.এ.সিগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহগা ঙসি উন্নখ্রে।

২) কেয়ারিং ফোর সোইলস, মেজরস, মোনিটর, মেনেজ হায়বা হিরমদা ঙসি মালেমগী লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বা নুমিৎ পাঙথোক্লি।

৩) মণিপুরগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা হকশেলগী খুদোংচাবা অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহন্নবগী মতাংদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরিনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

৪) রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা হায়রি- ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মালেমদগী রেবিস লায়না মুখৎনবা পান্দমদা মণিপুরদসু থবক পায়খৎপা হৌরে।

অমসুং

৫) বি.জে.পি লুচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাবিস মহরাষ্ট্রগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ লৈমাখোংদা লৈবা ফিফতি সাভেন মাউন্টেন দিভিজনদা থবক শুবা চংখিবা লাইশ্রম কমলবাবু থিবা খঙখিদবা অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সি অমসুং কমলবাবুগী ইমুং মনুংগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহগা ঙসি উন্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- উন্নবা অদুদা জে.এ.সিগী মীওইশিংনা কমলবাবু ফিফতিসভেন মাউন্টেন দিভিজনদা চংখিবগী মরিক চুম্বা লংলা লংজিল অমসুং মহাকা কেম্প চংদ্রিঙৈদা সহি তৌরম্বগী শাখিশিং উৎলমখি। মাংখিবা মীওই অসি অথুবা মতমদা ফংননবা সরকারনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মতেংগা লোয়ননা হোৎনরিবা অদু জে.এ.সি অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংদা পাউদমখি। জে.এ.সিগী মীওইশিংনা কমলবাবুবু অথুবা মতমদা ফংননবা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগী পুকিং চিংশিনহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোংদোক্লমখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখিবা অদুগী মতাংদা জে.এ.সিগী ৱাঙাংলোই এম. ইবোপিশকনা হায়- উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিগী মাইকৈদগী জে.এ.সিনা তাল্লিবা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরকখি।

ইম্ফালগী মেজর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়- জে.এ.সিনা মখা তানা কমলবাবুগী মতাংদা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা চত্তুনা ঙাকশেল মন্ত্রিগা উন্নবা হোৎনগনি। মসিগা লোয়ননা মফম অদুদা ৱাকৎ মীফমসু পাঙথোক্কনি।

মীফম (এল)ঃ লৈমাখোং আর্মি কেম্পতা চংখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী লংলা লংজিল খঙহল্লু, মহাকপু শোইদ-ঙামদনা থাদোকপীরকউ হায়বা দাবী তকশিন্দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ঙসি শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

নিউ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, শিংজমৈ (এনদোজ)না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা- আর্মি কেম্পতা মী মাংবা য়ানিংদে, কমলবাবুগী লংলা লংজিল পুথোকউ, সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎলু, মণিপুরগী ইরাং খুদক্তা লোইশিল্লু, মীচম মীয়ামগী অৱাবা কোকহল্লু হায়বা প্লেকার্দনচিংবা পায়দুনা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

আইসিএআর(এল)ঃ রাজ্যগী ফিসরি বিভাগনা আই.সি.এ.আর সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফ্রেস ৱাটর এক্বাকলচর ভুবনেশ্বরগা খুৎশমদুনা মণিপুরগী

ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংগী ঙা য়োকপা মীওইশিংদা ঙা মচা য়েন্থোকখ্রে।

লমফেলপাৎতা লৈবা ফিসরি দিরেক্তোরেটতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঙা য়োকপা মীওই ২০০ রোমদা ঙামচা লাখ অনিরোম য়েন্থোকখি।

থৌরম অসিগী মতাংদা রাজ্যগী ফিসরি দাইরেক্তর হৈস্নাম বালকৃষ্ণ সিংহনা হায়- রাজ্য অসিদা হন্দক মায়োকখিবা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা ঙাগী ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংদা নিংহন্নবা পোকহনখি। ঙসি য়েন্থোক্লিবা ঙা মচাশিং অসিনা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা মাংখিবা অদু খরদা ওইরবা কুপখৎনবা অমসুং লমদম অসিদা ঙাগী পোত্থোক হেন্না পুথোকবগী পান্দমদা ঙা মচাশিং খুৎশিন্নবনি।

পোপি (এল)ঃ সেনাপতি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেট সেনাপতি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং সেনাপতি পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা সেনাপতি জিলাগী মকুইলোংদি উমংদা থারম্বা পোপিশিং য়াস্থৎতুনা মাংহনখ্রে। অপুনবা কাংবু অদুনা লম একর ৮ মখায় হেনবদা থারম্বা পোপিশিং অদু মাং তাকহনখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা থিজিন্নবগীদমক সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎলে।

ডে (এল)ঃ নোনে দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী অহুমশুবা কুমওন থৌরম ঙসি জিলা অসিগী লোংমাই বজারদা পাঙথোকখ্রে। য়ুনিয়ন অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হিল এরিয়াজ কমিতি, মণিপুরগী চেয়ারমেন ওইবগা লোয়নন নুঙবা কেন্দ্রগী এম.এল.এসু ওইরিবা দিংগাংলুং গাংমৈ, সোসিয়েল ৱার্কর ষ্টৌদি গাংমৈ, ভিলেজ ওথোরিতি কাউন্সিল লোংমাই এরিয়াগী চেয়ারমেন দি. কপুদাই শরুক য়াখি।

সোইলঃ কেয়ারিং ফোর সোইলস, মেজরস, মোনিটর, মেনেজ হায়বা হিরমদা মণিপুরদা ঙসি মালেমগী লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বা নুমিৎ পাঙথোক্লি।

চান্দেল জিলাগী ওইনোনিয়া ত্রেনিং স্কুলদা ঙসি ৱার্ল্ড সোইল ডেগী

থৌরম অমদি এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোই ৭৫০ রোমা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার ডাঃ এন. মুনালনা হায়- অফবা ইনভাইরোনমেন্ট শেম্বদা লৈবাক লৈহাওনসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক লৈহাওনা ঈশিংবু শেংদোকপদা নত্তনা নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা কয়াসু চুপশিনবা ঙম্মী। নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোদাই ওক্সাইদশিং উ-ৱাশিংনা চুপশিনবদগী লৈবাক লৈহাওনা হেন্না চুপশিনবা ঙম্মী। মালেমদা চুরিবা নোংগী চাদা ৬০ দি লৈবাক লৈহাওনা চুপশিল্লি। লৈবাক লৈহাওনা মীওবগী চীঞ্জাক্কী চাং অসি চাদা ৯৫ পুথোকই। মসিদা নত্তনা পেনিসিনিল য়াওনা মীওইবদা কান্নরবা হিদাক কয়াসু পীরি।

ৱার্ল্ড সোইল ডেগী থৌরম নোনে জিলাদসু পাঙথোকখি।

হেলথ (এল)ঃ মণিপুরগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈরিবা হকশেলগী খুদোংচাবা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী মতাংদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি বিনিত জোসিনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা স্পেসিয়েল সেক্রেটরি হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার, দাইরেক্তর হেলথ সার্ভিসেস, ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর, দিপ্যুতি কম্মিসনারশিং, চীফ মেদিকেল ওফিসারশিং অমসুং ষ্টেট লেবেল নোদেল ওফিসারশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিং অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসারশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং পাউদমখি। মীফম অদুনা রাজ্য সরকারনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফগৎহন্নবা অমসুং মীপুম খুদিংমক্তা মগুন লৈবা অনা লায়েং ফংহন্নবা হোৎনবা হায়না ৱারেপ লৌখি।

টিবি (এল)ঃ কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়গী সেন্ট্রেল টি.বি. দিভিজন্না শিন্দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদবা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম (এন.টি.ই.পি) হন্দ্রেদ দেজ কেম্পেন রাজ্য অসিগী জিলা ৬ তা পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট টি.বি. ওফিসার ডাঃ হেমলাতা থোকচোমনা হায়রি।

রাজ্যগী টি.বি. সেল অমদি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অনিনা শিন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা ষ্টেট টি.বি. ত্রেনিং এন্দ দিমোন্সত্রেসন সেন্তরদা পাঙথোকখিবা হন্দ্রেদ দেজ কেম্পেনগী মিদিয়া সেন্সিতাইজেসনগী থৌরমদা ডাঃ হেমন্তনা মখা তানা হায়- মালেমগী ওইনা ইং ২০৩০ দা টি.বি. মুত্থৎনবগী পান্দম থল্লি। পান্দম অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি ইং ২০২৫ দা ইলিমিনেট তৌনবা পান্দমদা নুমিৎ ১০০ নিগী থৌরম অসি শিল্লকপনি।

থা অসিগী ৭ তা হৌগদৌরিবা নুমিৎ ১০০ নিগী কেম্পেন অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা জিলা ৩৪৭ খনগৎপদা মণিপুরগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী অমদি চান্দেল জিলাশিং অসি য়াওরকপনি। কেম্পেন অসিগী মনুংদা টি.বি. লায়না করিনো, করমা লায়েংগনি অমদি লায়না অসি মতৌ করমা নাহল্লোইদগে হায়বগী মতাংদা খঙহনবগা লোয়ননা লায়না অসি লৈব্রা হায়না টেষ্ট তৌবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

রেবিস (এল)ঃ ষ্টেট সার্ভিলেন্স ওফিসার ডাঃ শনাশম গোপাল সিংহনা হায়রি- রেবিস লায়না ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মালেমসিদগী মুত্থৎনবা পান্দম থল্লি।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তোরেটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ডাঃ গোপালনা হায়- রেবিস লায়না অসি মণিপুরদা নোটিফাইএবল দিজিজনি হায়না লাউথোক্লে। মহাকা হায়- লায়না অসি ইং ২০৩০ ফাওবদা মুত্থৎনবা পান্দমদা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়না নোতিফাইএবল দিজিজনি হায়না লাউথোকপনি। ডাঃ গোপালনা হায়- রাজ্য অসিদগী রেবিস লায়না মুত্থৎনবা হোৎনবদা রিপোর্টিং অমদি সার্ভিলেন্স হেন্না কনখৎহনবা মথৌ তাই। রাজ্য অসিদা লৈরিবা হকশেলগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা পুমমকা রেবিসকা মরী লৈনবা কেস লৈরবদি সি.এম.ও, আই.দি.এস.পিশিংদা পাউ পীবীরকউ।

সেনাপতি (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, সেনাপতি ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ভোলুন্তিয়ার ডেগী থৌরম ঙসি দি.আর.দি.এ কনফরেন্স হোল

সেনাপতিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগা মরী লৈননা অহল ওইরবা মীওইশিং, লুখ্রাবীশিং অমসুং কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংদা পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং এস.পি. শরুক য়াখি।

য়াইঙংপোকপী (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপীদা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা চীফ মিনিষ্টরস হেলথ ফোর ওল হৌদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট চীফ মিনিষ্টর হেলথ ফোর ওল, ইম্ফাল ইষ্ট পি.ঐচ.সি য়াইঙংপোকপী অমসুং মিদোরি কাংবুনা শিনবনি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী লিৱাচংনিং কোন্নাথাবীদা লৈবা সেন্ট পাউলস স্কুলদা ৱার্ল্ড ৱাইল্ড লাইফ কঞ্জার্ভেসন ডে অমদি ইন্তরনেসনেল চিতা ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার ডাঃ এন. মুনাল অমদি স্কুল অদুগী প্রিন্সিপাল শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না মীওইবা অমদি শা উচেকশিং অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা এৱারনেস পীবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

এগজামঃ অসাম পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌবা কম্বাইন কম্পিতিতিভ একজামিনেসন ২০২৩ গী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পারিক্ষা অসিদা অসামদা লৈবা মীতৈ মচা অহুম খল্লক্লে হায়রি। কছার ললাংদগী কোলোম লমঙানবীনা অসাম পুলিস সার্ভিসতা, কছার শ্রীবালদগী রেনুবালা অমদি হোজাইগী জগ্লিজান্দগী ৱাক্রম কিম কবিরনা অসাম এক্কাউন্ট সার্ভিসতা খল্লে। মখোয় অহুমনা পরিক্ষা অসিদগী মায় পাক্লকপদা কছারগী মণিপুরীশিংনা নংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা জিলা অদুগী ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা উমং ৱামং মৈ চাল্লকপা অমদি মসিদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা ঙসি নোংমগী ওইবা এৱারনেস কেম্পেন অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্পেন অদুগী মনুং চন্না লাউদ স্পিকর শিজিন্নদুনা রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমদি প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা মৈ থাদুনা উমং ৱামং কোকথোকপা থিংনবা অমদি লল্লক্কী শা-উচেকশিং হাৎপা তোকবা অমদি কনাগুম্বনা আইনগী ৱাংমদা অসিগুম্বা থবকশিং অসি চথুরল্লবদি ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট এক্টকী মতুংইন্না থা ৬ জেলদা থম্বা য়াওনা ফাইন থিহনগনি হায়বা ৱাফমশিং থমখি।।

সিসিপুর (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী জাকুরাধোরদা মমাং থাগী ১১ দা সি.আর.পি.এফকী খুৎতা লৈখিদ্রবা মীওই ১১ গী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি সেহকেন্দ মর্তিয়রস সিমিত্রিদা পাঙথোকখ্রে। মীওই ১১ গী হকচাংশিং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মোর্গতা থল্লকপনি। মখোয়গী ওতোপসি রিপোর্ট লাল্লবা মতুং লৈরোল চনবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। ঙসি অয়ুক আই.টি.এল.এফনা শিন্দুনা পিছ গ্রাউন্দ তুইবোংদা মীফম অমা পাঙথোল্লবা জোইন্ট ফিলানত্রোফিক ওর্গনাইজেসন্না খুগা ডাম ময়াদা লৈবা সিমিত্রিদা লৈরোল চনখিবনি।

অৱাবা (এল)ঃ রাজ্য অসিদা মমাং চহিদগী থোল্লকখিবা ইরাংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা এস.আই. স্কুল কাঞ্চিপুরগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। স্কুল অসিগী এন্যুএল ডেগা মরী লৈননা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা স্কুল অসিগী ৱার্দেন ওইরম্বা য়াওনা মীওই কয়াগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ত্রাইবেল (এল)ঃ ইং ২০২০ দগী পীথোক্তনা লৈরিবা ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলসকী স্কিমশিং অমদি ইং ২০২৩-২৪ গী মহৈরোইশিংগী স্কোলারসিপকী শেনফম চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা পীথোকপীয়ু হায়না ফেদরেসন ওফ ওল ত্রাইবেল য়ুথ ক্লবস মণিপুর অমদি তাঙ্খুল আজে কতমনাওলোংনা দাবী তৌরি।

জিরি (এল)ঃ মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইতি ইন্দিয়াগী ৩১ শুবা চহিগী মীফম থা অসিগী ২৫ দগী ২৭ ফাওবা শিবসাগর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হসোরাগী সিংহাদ্বার কম্যুনিতি হোল অমদি সিমুলগুরি বরকলা জগনাথ মন্দিরদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা ৱারী মচা ইবা পান্বা অমদি সোসাইতি অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়ানবা খঙহল্লি। সোসাইতি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- চৎলিবা চহি অসিগী ওইনা রাজকুমার সিতলজিৎ সিংহ লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ জারিবোন থিংঙোম খুলদগী লৌরেম্বম নিনা দেবীদা পীরগনি অমদি সিনাম তনুবাবু সিংহ মেমোরিয়েল ইন্তরনেসনেল এৱার্দ ২০২৪ না শোরোকখাইবম দেবেন্দ্রনা ইবা- বোলনা কোইথোক্লুবদা হায়বা লাইরিক্তা পীরগনি। মনাশিং অসিদা সোল, সাইতেসন অমসুং শেল য়াওরি।

মহারাষ্ট্র ঃ বি.জে.পি লুচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাবিস মহরাষ্ট্রগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম মুম্বাইগী ঐতিহাসিক ওইরবা অজাদ মৈদানদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাঙথোকখি। রাজ্যপাল সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা মহাকপু ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। দেবেন্দ্র ফদনাবিসকা লোয়ননা শিব সেনা লুচিংবা একথান সিন্দে অমসুং এন.সি.পি লুচিংবা অজিৎ পাৱার উপ-মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, এন.দি.এনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, দলগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং মহায়ুতিগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা মুখ্য মন্ত্রি ওইবা অসি হন্দক্কী অসিগা থারকা অহুম্লক শুবনি। নিংশিংবা য়াই, মমাং থাদা পাঙথোকখিবা সিট ২৮৮ লৈবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা মহায়ুতি চুংশিন্নবা কাংবুনা সিট ২৩০ ফংখিবনি।

ঝারখন্দ ঃ ঝারখন্দদা মন্ত্রি ১১ হাপচিনদুনা মুখ্য মন্ত্রি হেমন্ত সোরেনগী চাউথোকখ্রে। রাঞ্চিদা লৈবা রাজ ভবনদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাজ্যপাল শন্তোস কুমার গেঙ্গৱারনা মন্ত্রি ১১ অদুবু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। ঙসি ৱাশক লৌখিবা মন্ত্রিশিংগী মনুংদা- ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চাগী ৬, কংগ্রেসকী ৪ অমসুং আর.জে.দিগী ১ নি। মদুগী মমাংদা

রাজপালনা জে.এম.এমগী লুচিংবা ষ্টেফেন মরান্দিবু প্রোটেম স্পিকর ওইনা ৱাশক লৌখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা ইন্দিয়া ব্লোকনা চাউনা মায় পাক্কুনা জে.এম.এম লুচিংবা হেমন্ট সোরেনবু মমাং থাগী ২৮ দা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

সংসদ ঃ বি.জে.পিগী সদস্য নিশিকান্ট দুবেনা শম্বল ৱাথোক্কী মতাংদা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংদা মরাল শিখিবা অদুগা মরী লৈননা বিরোধি দলশিংনা চরাংনবা থোকপদগী লোক সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে। অহানবগী ওইনা য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা সভাগী মীফম অমুক হন্না ফম্বদা রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা রেলৱে এমেন্দমেন্দ বিল ২০২৪ গী মতাংদা পাউখুম পীনবা হোৎনরিঙৈদা বিরোধি দলশিংনা চরাংনবা থোরকপদগী সভাগী মীফম ঙসিগী ওইনা য়ৈথোকখিবনি।

ঙসিগী জিরো অৱার মতমদা বি.জে.পিগী সদস্য নিশিকান্ট দুবেনা ফ্রান্সতা ফোংবা পাব্লিকেসন অমগী রিপোর্ট পল্লদুনা ভারতকী সংসদ অমসুং শেনমিৎলোন কায়হন্নবা হোৎনরে হায়না মরাল শিখি। মসিগী রিপোর্ট অসি কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধি য়াওনা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা মখোয়গী সোসিয়েল মিদিয়াদা ফোংদোকখি হায়না মরাল শিরি। কংগ্রেস, দি.এম.কে অমসুং অতৈ দলশিংনা শিরক্লিবা মরাল অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা চরাংনবা থোকপদগী লোক সভা অধ্যক্ষনা সভাগী মীফম নুংথিল পুং অনি ফাওবা য়ৈথোকখি।

রাজ্য সভানা ঙসি ভারতিয়া বায়ুয়ান বিধায়ক ২০২৪ মখা তানা খন্নবা হৌখ্রে। লোক সভানদি বিল অসি চহি অসিগী নোংজ্ মীফমদা পাস তৌখ্রবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

জিট কুন্দো ঃ চৎলিবা থা অসিগী ১২ দগী ১৪ ফাওবা মেঘালয়গী মাউদিয়ানদিং ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা ১০ শুবা সব-জ়নিয়র, সেনিয়র

মেন এন্দ ৱিমেন্স নেসনেল জিট কুন্দো চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংগী মীং লাউথোক্লে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং থা অসিগী ১২ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

ফেন্সিং ঃ ফেন্সিং এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা বিহারগী পাটনাদা থা অসিগী ২ দগী চগুরকখিবা ৩২ শুবা নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোইশিল্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরনা ঙসি ফাওবদা পুন্না মেদল মঙা লৌবা ঙমলি।

আইএসএল ঃ ইন্দিয়ান সুপর লিগকী মেটচ অমদা হৌজিক উরিষা অমদি মুম্বাই সিতি শান্নরি। লিগ অসিগী ঙরাং হাইদ্রবাদকী গাচিবোলি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা গোৱানা হাইদ্রবাদপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মোহন বগান, বেঙ্গলুরু অমদি গোৱানা মথং শিং অহানবা, অনিসুবা অমসুং অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

ফুটবোল ঃ অহানবা লমজিংবা ত্রোফি ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ৱিন্নর কৈরক এফ.সিনা ওহখ্রে। থৌবাল জিলাগী তেকচম মনিং লৈকাই লমজিংবা ক্লবকী প্লে গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কৈরক এফ.সিনা ফ্রেন্দসিপ য়ুনাইতেদপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ত্রোফি অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

------